# মণিপুরগী ইঞ্জিনিয়রশিং কদায়দা চৎখ্রে!

## (ৱাইশেন অমসুং ৱাটর রিছোর্স দিপার্টমেন্ট, মাইনর ইরিগেসন দিপার্টমেন্ট)

- নাওরেম দেবান মঙাং -

হৌজিক লমদমসিগী ফীভম কয়ামুক্তা শেমগৎ শাগৎলক্কদবা ইঞ্জিনিয়রশিং মশক উরক্তবগুম তৌরক্লি। মরমদি হৌজিক নোংজুথা লাক্লি। জুন-জুলাই হায়বসি ইঙা-ইঙেন্নি, মসিবু নোংজুথা হায়না খঙনৈ। ইংরাজিদা মোন্সুন হায়না কৌই। ৱাফমসিনা লংলা-লংজিন ওইরগা লাক্লিবা ৱাফমদি লমদমসিগী হায়বদি মণিপুরগী এঞ্জিনিয়রশিং মখল কয়ামুকসিনা মণিপুরবু ওইরো নৎত্রগা লমদম অমগীবু ওইরো লমদমদুগী মীয়ামদুনা লৈগদবা মফমদুবু হীরম কয়ামুক্তা হায়বদি য়ূমলৈ-কৈরৈ, লম্বী-থোং অমদি চান-থক্লবা, ঈথৈ-লৌখোং লোয়ননা ঈরম-নালানচিংবগা লোয়ননা পাৎ অমদি তুরেলনচিংবা কয়ামুকসিবু শেম্বী-শাবিরক্কদবা কয়াসি মাগী-মাগী হীরমশিংদা মরী লৈনরিবা এঞ্জিনিয়রশিংনা শেম্বী-শাবীরক্কনি। অদুগীসু মথক্তা লৈরিবা লমদমসিবু খাদা কুৎহনগে/তোংহনগে অমদি নোংপোক্তা ৱাংহনগে, নোংচুপ্তা তৌথোক্লগা কুৎহনগে হায়বনচিংবা লৈবাকসিগী ফীভম্বু শেমগদৌরিবসি ইঞ্জিনিয়রশিংনা তৌগনি, ডাক্তরশিং অমদি ওজাশিংনা তৌরোই হায়বনি। অদুগা শৈথাগনি হায়বদি শক-শোন্নগনি। মরম অসি লৈবনা ইঞ্জিনিয়রশিংবু 'ক্রিয়েটর ওফ ৱর্ল্ড' হায়না মালেমদা খঙনরি। হিন্দু লাইনীং চৎপশিংনা 'বিশ্বকর্ম্ম' হায়না খঙনৈ, অদুগা ইপা-ইপুশিং কয়ানদি 'পিশাতাও' হায়না খঙনরি।

ফীভমসিদা মখা তানা লাক্লবদা হৌজিক্কী ওইনা জুন থা হৌরক্লে, নোংজুথা হায়বদুগী মতম চপ চানা ওইরক্লে, জুন থানা ইঙানি অদুগা জুলাই থানা ইঙেন্নি। অসুম্না জুন-জুলাইগী মতমসিবু লমদমসিগী ওইনা 'ইঙা-ইঙেন নোংজুথা' হায়না য়েলহৌঙৈদগী খঙনরক্লি। অদুগা মতমসিবু ইংরাজিদনা 'মোন্সুন' হায়না কৌই। অদুম্মকপু হৌজিক্তি নোংজুথা হায়বসি য়াম্না শাংদোক্না মেরা থা ফাওবা হায়বদি সেপ্টেম্বর-ওক্টোবর থা ফাওবসি নোংজুথা চিংলক্লি। মরমদি থায়নদগী হৌনা ইঙা-ইঙেনগী নোংজুথাদা ঈশিং চাওদ্রবসু মেরা থাদা ঈশিং চাওরকই হায়দুনা 'মেরাগী-ঈচাও' হায়দুনা লৌনরকই। মরম অসিনা সেপ্টেম্বর-ওক্টোবর থা অসি ফাওবগী মনুংদা ঈশিং চাওবগী মতম ওইরক্লি। মতাংসিদা হায়বদি লৈরিবা মতমসি ফাওবদা ঈশিং চাওই হায়বনি অদুগা ঈশিং থুম্বনা অতোপ্পা ৱাফম অমনি। চাওরক্লিবা ঈশিংবু মফম চানা, মরম চানা শীজিন্নরগা নুংঙাইনা হিংগনি অমদি মফম চানা অমদি মরম চুম্না শীজিন্নদ্রগা ৱানা হিংগনি লোয়ননা অৱা খুদোংথীবা কয়ামুক থোক্লক্তুনা লায়না-তীলনানচিংবা কয়ামুক লাক্কনি। অদুগা ঈশিং চাওরক্লগা মীয়াম অমদি থৱায় পানবা-পান্দবা কয়াসি ঈশিং থুমহন্দনা লৈহনগদৌরিবসিসু লমদমসিগী ইঞ্জিনিয়রশিংনা তৌগদবনি, মখোয়না মখোয়গী মথৌ নিংথিজনা পাঙথোকপা ঙম্লক্তুবা মতমদুদনি মীয়ামসিনা ৱানরক্কদৌরিবসি। মরম অসিনা হয়েং-হংচিৎতা ঙাইরক্লবা মতম অসিদা লমদমসিগী ঈশিংগী মায়কৈদা লৈরিবা মরী লৈনরিবা ইঞ্জিনিয়রশিং কয়াসিবু মফম কদায়দা লৈদুনা লোৎখ্রবগে হায়বা ৱাহং অমা মীয়ামসিগী ৱাখলদা লেপ্তুনা হংনরক্লি। তারক্লিবা নোংসিবু কদায়দা চেন্থখিনবা শেম্বীরিবগে অমদি কদায়দা মতৌ করম্না য়োক্তুনা তুংশিন্দুনা হয়েংৱাই ঈশিং ফংনরক্তুবা মতমদা শীজিন্ননবা করম্বা পান্বেনা হোৎনবিরিবগে? লেপ্তুনা হায়নরক্লিবা নোংগী ঈশিং য়োক্তুনা থমহৌনবা হায়দুনা মখৌ পোংনা লাউনরম্বা ইংরাজিদা 'রেন-ৱাটর হার্ভেষ্ট' হায়বদুবু মফম কদায়দা মতৌ করম্না শেম শাবিরিবগে হায়বসিনি। ৱাফমসিগা লোয়ননা তারক্লিবা/তারক্কদৌরিবা নোংগী য়াম্লবা চাং কয়াদুনা ঈরম নাইনা চেন্থরক্কদবা অৱাংবগী অনেম্বলোমদা চেন্থরক্কদবা ঈশিংগী লম্বীশিং অদুনা করম-করম্বা মফমদা শেম্বীরিবগে। লমদমসিগীদি অৱাংলোমদগী খারোমদা নেমথনা লৈবনা খারোমদা ঈশিং চেন্থগনি। অদুদগী অমুক ঈশিংগী ঈমাই মান্ননবা মহৌশাগী খূৎশেম্না শেল্লম্মী। অদু ওইরবদি খা থংবগা অৱাংলোমগা ঈশিং ঈমাই চপ মান্ননা লৈরক্লবদি মীয়ামদি ঈশিং মনুংদা লৈবা তারকই, অদুদগী শিবা তারকই। মদুদি ইঞ্জিনিয়রশিংনা হেন্দোক্লা খঙনরবা ইংরাজিগী ৱাফম অমা মদুদি- 'ৱাটর ইজ ওন সেম লেভেল' হায়বদু। ফীভমসি লৈবনা লমদমসিগী মরী লৈনরিবা ইঞ্জিনিয়রশিংগী থৌদাংশিং অসি অদুক্কী মতিক মরু ওইবনা ইফোং ফোংনা উনরিবা ঈশিং ঈরমশিং অসিগী লেভেলশিং নীংথিজনা য়েংবীরগা ঈশিং তুংদনবা ঈরম ফাৎপীনবা ঈরমদমসিগী ইঞ্জিনিয়রশিং হৌজিক কদায়দা লৈরিবগে হায়বসি লৈঙাক পুরিবা মিনিষ্টরশিংনা থিবীদুনা মখোয়গী মথৌ তৌহনবীরো। লোয়ননা চঙগদবা খূৎশু-খূৎলায়শিং পূম্নমক পীদুনা ঈশিং-ঈচাও থোক্তুনা ঈশিং থুম্লক্কদবা য়ূম-ইঙ্খোল অমদি লৌ উনরিবা লৌবুক কয়াবুসু কলহৌনবা হোৎনহৌসি হায়বসিনা মীয়ামগী অমত্তা ঙাইরবা খোল্লাউ হায়বদু ওইগনি।

মীয়ামগী পুন্সিনা নোংম-নোংমগী লেপ্তুনা ৱানরক্লবদি মখল-মখা কয়াগী ৱাথোক লাম্থোক কয়া লাক্তুনা লৈঙাকসু কাং-খোং চাইরক্কনি। কায়নথংদা লৈঙাক লৈরক্লোই অমদি মিনিষ্টরশিংসু লৈরক্লোই। মতাংসিগী ওইনা হায়বদি ঈশিংগীদমক লৈরিবা ইঞ্জিনিয়রশিংগী মরী লৈনরিবা দিপার্টমেন্টশিংদি :- (১) পব্লিক হেল্থ ইঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্ট শম্না (পি ঐচ ঈ দি) (২) হান্না এরিগেসন এন্দ ফ্লদ কন্ট্রোল দিপার্টমেন্ট (আই এফ সী দি), হৌজিক্লা ৱাটর রিছোর্সেস দিপার্টমেন্ট (৩) মাইনর ইরিগেসন দিপার্টমেন্ট। হায়রিবশিংসিনা মরু ওইবনি, অদুবু মরকসিদা পি দি এগী এঞ্জিনিয়রশিংনসু ঈশিং-ঈরমসিদা খূৎ থিংজিল্লকপগী মতাংসু য়াওরি। মসিদি চুমদবনি। মরম অদুনা মণিপুরদা ঈশিং থুমহনগে/থুমহল্লোই হীরমসিদা লৈরিবা ইঞ্জিনিয়রশিংগী থবক খূৎতৌনা লেপকনি। চাওর-চাওরবা দাম কয়া কেনেল কয়া অমদি সট্টরশিং কয়াসিগা লোয়ননা প্রোজেক্ট কয়ানা মণিপুরগী খুঙ্গং কয়া অমদি লৌবুক পাৎনচিংবা কয়াসিগী ফীভম ফহল্লি অমদি ফহন্দে, চাথোক মরাং কায়নবা ঈশিং ফংহল্লি অমদি ফংহন্দে। পূম্নমকসি ইঞ্জিনিয়রশিংনা শেমগদবনি। অদুবু, শেম্বীগদৌরিবা ইঞ্জিনিয়রশিংদু হৌজিক কদায়দা চৎখ্রে। কদায়দা লোৎখ্রবগে? কয়াসিগী মথক্তা ফত্ত-হৌদি অমদি অমাং-অশোয় কয়াগী লৈফম অমসুং মফম চানা থমগদবা সিৱেজ দিপার্টমেন্টকী ইঞ্জিনিয়র কয়াদুনা কদায়দা লৈখ্রবগে? থক্লবা ঈশিং ফংহন্নবা ইঞ্জিনিয়রশিংসু তূমিন্না লৈখ্রবগুম তৌরি।

মসিনা ৱাফম অমা অমুক থমখ্রগা হৌজিক-হৌজিক কোভিদকী ২শুবা ৱেভসিগী য়েংলগা ঈশিং নুংশিৎ মোৎহন্দনা থমগদবা হায়বদি ৱাটর-পোল্যুসন থোক্তনবা অমদি এয়র পোল্যুসন থোক্তনবা লৈরিবা পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী অমসুং ইনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জগী এঞ্জিনিয়রশিংনা কদায়দা লৈখ্রে। হায়নবা লৈ মদুদি কোরোনাগুম্লবা ভাইরসশিং অসি চোৎ-চোৎ লাওবা মফমদা য়াম্না হৈনৈ। অদুনা হৌজিক্কী নোং-চীংগী ফীভমসিদা ঈশিং ফজনা চেন্দবা শেম্বীদ্রবা ৱাইশেন ঈরমসিগী এ সী ৭সিদদি ফীভমসি অদুক্কী মতিক খুদোংথিনীংঙাইসু ওইরিবনি। অদুগী মথক্তা অনৌবা লাইচৎ অমা ওইরক্লিবা 'ব্লেক ফঙ্গস' গী হৈনরবা মফম কয়াসু হায়রিবা ৱাইশেন মরীনগী মেনষ্ট্রিম অমদি ঈরমশিংগী মসা-মরেংশিংদসু লৈরিবনি হায়বসিসু এঞ্জিনিয়রশিংনা খঙবীগদবনি। ●

# মণিপুরদা কোভিদ-১৯না তৌরকপা চাংয়েং-২

- সী সী মঙানলৈমা -

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিবু চাইনানা করম্বা পাম্বৈশিং শীজিন্নদুনা মায় পাক্লা থেংনখিবগে হায়বদু ঐখোয়না খন্ন-নৈনবগী মহুত্তা লাইচৎ অসিনা খম থেংনা শোকহল্লবা লৈবাকশিংগী থবক থৌওংশিংদা ওইনা পূক্লিং থিংজিন্দুনা লৈরি। কোরোনাভাইরসকী ইহান হানবা লাইচৎ মায়োক্লখিবা চাইনাদা হৌজিক ফাওবদা মীওই লিশীং ৫ য়ৌনা শিদ্রি, পোজিটিভ ওইবসু মীওই লাখ ১ ফাদ্রি। ময়েক্কীদি অহানবা ওইনা লাইচৎ অসি খংশন শন্দোরক্লিবা চাইনা অসি অতৈ লৈবাকশিংদগী হেন্না শাথীনা শোকচিনফম থোকপনি। অদুবু মখোয়না লাইচৎ অসি থেংনবা মতমদা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং অমদি মীয়াম্না মদুদা লৌনখিবা থৌদাংশিং অদু চুম্বদগী চাইনানা ইরায় লায়না লাইচৎ অসি লাকশিনবা ঙমখি। অসিগুম্বা মায় পাক্লা থেংনবা ঙল্লিবা লৈবাক অসিগী মতৌ তমদুনা ঐখোয়সু লাম্থেং অসি চঙশিন্নবা হোৎনবনা হেন্না ৱাখল লৌশিং থোক্কনি হায়বসিদা হায়মনবা থোক্লোই। মখোয়গীদি লৈবাক পূম্বগী ওইবা অহানবা ৱেভ, অনীশুবা ৱেভ হায়বা লৈখিদে, আউটব্রেক হেক লাকপদা মফম অদু অতোপ্পা প্রোভিন্সশিংগা হীরম অমত্তদা (পোৎ চৈশিং অমদি মী) শম্নহন্দনা মফমদুখক্তদা মহীক অদু লোইশিন্নবা হোৎনবনি। মহীক অসি শন্দোরকপগী অচৌবা মরম অমা ওইহল্লিবা, শোক্ল-শম্নবা হায়বা অসি লৈহনবদা, মীওইশিংদা নত্তনা পোৎ চৈদগী ফাওবা শন্দোরক্তনবা মতম খরখক্কী ওইনা মরী পুংথৎ থদৎপা হায়বা অসিনা খ্বাইদগী মরু ওইবা লাইচৎ অসি থেংনবগী পাম্বে ওইহল্লি। মসি হায়রগা নোর্থ কোরিয়ানা সাউথ কোরিয়াদগী পাইশিল্লকপা খুনু ফাওবা কাপ্তুনা হাৎপগী ৱাফম অদুমক্তি নত্তে।

য়ু এস, য়ুরোপ অমদি চাওখৎপা লৈবাকশিংদা মীয়াম্না হ্যুমেন রাইটসকী মীংদা লৈঙাক্কী অথিংবশিং ইন্নিংবগী ৱাখল ৱাৎনবা, মশা ঙাকথোকচনবা মাস্ক উপ্পা ফাওবা ৱা য়াম্লবা অমদি কোভিদ অসি হৌজিক ফাওবা তৌশিন্নবনি হায়না লৌনরিবা মখোয় অদুগীদি, লৈঙাক্লা মতিক চাবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং লৈহনবনা লাম্থেং অসি থেংনবদা মদুবু খূৎলায় ওইনা শীজিন্নবা ঙম্মী। অদুবু মণিপুরদদি মতিক চাবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং লৈতবনা মীয়াম্না মখোয়গী মতৌ তমদুনা লাম্থেং অসি থেংনগদবনি হায়না লৈঙাক্তা ইন্থোকপা য়াদ্রি। মরম অসিদগীনি ঐখোয়না ভাইরস অসিনা ইশাদা চঙহন্দনবা অখঙ অহৈশিংনা পীরিবা এস ও পিশিং ঙাক্লা চৎপা অমসুং লাইচৎ অসি শন্দোরক্তনবা লৈঙাক্লা লাউথোরকপা থৌরাংশিংদা পূক্লিং হকচাং য়াওনা শৌগৎপগী মথৌ য়াম্না তারিবসি। মতাং অসিদা ঐখোয়না খঙজিনবা য়াবা অমনা চাইনাগী ৱুহানদা লাইচৎ অসি খংশন শন্দোকপা হৌরকপদা ইরায় লায়না নুমিৎ ১০নিদং চঙনা ফমুং ১০০০ লৈবা হোস্পিটাল (Huoshenshan Hospital) শাখিবা অমসুং মতিক চাবা মেদিকেল ফেসিলিটিশিং অমদি ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোভিন্স খুদিংমক্তা লৈজরবসু চাইনানা মদুদা লাইচৎ অসি থেংনবগী পান্দম থন্বা তৌদে। মখোয়গী লাল্লোংদি মহীক অসি "অউপ্পা উনা লোংথোক্তুনা লোংলম্বা উনা উপশিন্দুনা" থিবা অদুগুম্না থি-হুমদুনা ফাদোক্লবা হোৎনবা, করিগুম্বা চিথি-নাম্থহৌবা থোক্লগনা মফম অদুদা মরী লৈনবা এক্সপার্টশিং অমদি ভলুন্টিয়রশিং থোমজিন্দুনা লাইচৎ অদু শন্দোরক্তনবা হোৎনবা অসিনি। মসিগীদমক মখোয় মাঙজৌননা থৌরাং কয়া তৌই অমসুং তৌরিবা থৌরাংশিং অদু থবক ওইনসু ওন্থোকপা ঙম্মী। মহীক অসি ফাদোকহৌদুনা লাইচৎ অসি শন্দোকহন্দ্রবদি লৈবাক মীয়ামগী ওইবা থবক থৌরমশিং খুদিংমক মহৌশাগুম চথবা ঙমগনি হায়বসিদা মখোয়না মায়ওন থমদুনা লাম্থেং অসি থেংনবা মরম্না মহীক অসি ফাদোক্লবা হোৎনবদা অঙন্বা পাঙ্গল অমদি অচৌবা শেনফমশিং থাদে। চহীসিগী জুন থাদা মখোয়গী নুমিৎ হুমনি পাঙথোকখিবা 'দ্রেগোন বোট ফেষ্টিবেল' দা মীওই ক্রোর ৯ লোম্না অকিবা য়াওদনা চাইনাগী কোয়ফম মফমশিংদা কোয়বা চৎনখিবা অমসুং মদুদগী টুরিজম রেভিন্যু ওইনা $ 4.6 বিলিয়ন কা-খৎলকখিবদু মদুগী খুদম ওইবা য়াই।

ইন্দিয়াগী ন্যুজপেপর 'দি হিন্দু' দা য়াওখিবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না হৌখিবা চহীদা গালৱান ভেল্লিদা ইন্দিয়াগী লান্মী ২০ শিখিবা অমদি ৭৬ হেনবনা শোকখিবা থৌদোক অদু থোক্ত্রিঙৈ নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা চাইনিজ পি এল এশিংদি মিক্স মার্সিএল আর্টসকী ট্রেনিং তৌখি হায়বদুনা তাকপদি মখোয়না থোক্লবা য়াবা অমগীদমক মাঙজৌননা শেম শাদুনা লৈ হায়বগী খুদমনি। ইন্দিয়াদি টি ভি চেনেলশিংদা মচিন তোঙবা অখঙ অহৈশিংনা লাউনদুনা লৈরিঙৈদা অসিগুম্বা থৌরাং অমত্তা লান্মীশিংগী ওইনা তৌহলহৌদে। মায়থীবা নংলবা কান্দতা চাইনাবু চৈ থাংদুনা মীয়ামদা এন্টি-চাইনিজ ওইহন্নবগী ৱাফমলোমদা ওইনা চঙশিলহৌই। মীয়ামসু মখোয়গী ৱা তারগা চাইনাগী পোথোকশিং ইন্দিয়াদা থিংনবা 'মেদ ইন চাইনা' থাবা পোৎলমশিং মৈ থাদুনা মখোয়গী অশাওবা অদু মদুদা তাইনৈ। অদুবু ঙক্লিবদি কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিগী মিনিষ্টরনা লোক সভাদা থমখিবা ৱাফম অমগী মতুংইন্না কুমজা ২০২০দা চাইনাদগী $ 57.71 বিলিয়নগী মমল ওইগদবা পোৎ চৈশিং ইন্দিয়াদা ইম্পোর্ট তৌই হায়বসিনি। মসিনা তাকপদি ফনা য়াম্না ঐখোয়না চাইনাবু য়ানীংদ্রবসু, লাইচৎ অসিগী মতাংদা চাইনা পনবদা শাউনীংবা ফাওরবসু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি চাইনাগী পোথোকশিং শীজিন্নবা অমদি মখোয়গী ৱাখল লৌশিংশিং মতৌ তম্বগী মথৌ য়াম্না তারি। মখোয়দি চিনগা খূৎকা মান্ননা চৎলি হায়বগী খুদম ওইবা য়াবা অমনা হন্দক মখোয়গী অঙাং অহুম পোকপা য়াবগী অয়াবা লৈঙাক্লা লাউথোকখিবা মতমদা মালেমগী মীয়াম্না ফৈ-ফত্তে হায়না ঙাওনরিঙৈদা, অঙাং মশীং হেনগৎলক্কদবা অদু য়েংলগা টৌই ফেক্টরিশিং মশীং হেনগৎহন্নবা লৈঙাক্কী থৌরাং তৌবা হৌখ্রে। মখোয়গী অসিগুম্বা থবক্লা মাঙজিল থাবগী ৱাখল্লোন অসি হৌজিক্তি মালেমগী লৈবাক খুদিংমক্লা মতৌ তম্নবা হৌনখ্রবনি। য়ু এস এ ফাওবদা চাইনানা কুমজা ২০১৩দগী পায়খৎপা হৌখ্রবা বেল্ট এন্দ রোদ ইনসিএটিভকী কান্নবা হৌজিক্তা খঙলক্তুনা মদুগী মতৌ লৌবা ইকনমিক কোরিদোর অমা শেম্নবগী জো বাইদেননা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাকশিংদা থৌরাং তৌমিন্ননবা হৌদোকখ্রে।

মণিপুরদদি অমনবু ওইরবসু অমনবু ওইরবসু তৌরকপা থবকশিং নৎত্রগা ৱাখল্লোন পুথোক্লরিবশিং অয়াম্বনা পোলিটিকেলগা মরী লৈনবা নৎত্রগা লৈঙাকলোনগী অশোয়বা থৌশিলশিংদা ওইনা খন্ন-নৈনবগী মওংদা লৈ। মসি কোরোনাগী মতম অসিদদি খরা হন্থবা ফবনি। মরমদি ঙসি ঐখোয়না লাইচৎ অসিগী মায়োক্তা লাম্থেংনরিবসি মীওইবা খুন্নাইবু কন্ননবা অমদি ইমা লৈবাক মণিপুরবু লাইচৎ অসিনা শোকহন্দনবগী চঙশিনগদবা অমত্তা ওইবগী লাম্থেংনি। মসিদা য়ারিবমখৈ ইশাগী ওইবা নৎত্রগা পার্টি পোলিটিক্সকী ওইনবা ৱাফমশিং পুথোক্লবা তৌনরোইদবনি। ইন্দিয়াদি দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাকনিনা মসি অদুমক থোক্কনি হায়ববু লাইচৎ অসিগী মতমদদি য়ারিবমখৈ হুন্নবা তোক্তুনা শৌগৎনবা অমদি ৱাখল মীৎয়েং পুথোক্লদুনা হকথেংননা থৌদাং লৌরিবশিংদা মতেং পাংবা ওইনা তৌগদবনি। লৈঙাক পায়রিবশিংনসু মখোয়না মীয়ামদগী ফংবা ভোট অদু মীয়ামগী মথক্তা নৎত্রগা লম্বা পানরিবা পার্টিশিংগী মায়োক্তা পাঙ্গল চাংয়েংহনবগী মওংদা খক তৌরোইদবনি। অহানবা ৱেভকী মতমদা ম্যেনলেন্দ ইন্দিয়াদা লৈরুবা মীওইশিং মণিপুরদা পুশিল্লকপা মতমদা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মখোয়বু ভোটর অমমম ওইনা উখিবগী মমি য়াম্না চাউনা তাখি। হৌজিকসু লায়েংবগী মতমদা অদুমক লৈবা ওইনা উই। মদুগী মথক্তা মীচম মীয়ামদা এস ও পি থুগাইবশিং ফাইন খরা থিহনবা নত্তনা অচৌ-অশাংশিংনা লৈঙাক্কী চৎন-কাঙলোনশিং থুগাইরকপা নৎত্রগা মথৌদা থৌশাদবদগী লাইচৎ অসি শন্দোরক্লবগী মরম ওইহনখিবশিংদা করিগুম্বা থবক অমত্তা পায়খৎপা উদ্রি।

অদুবু চাইনাদদি লৈঙাক্লা শেল্লিবা চৎন-কাঙলোনশিং থুগাইরকপা অমদি মথৌ নিংথিনা তৌদবদগী নৎত্রগা থৌশাদবদগী লাইচৎ অসি শন্দোরকপগী মরম ওইহনখিবা অচৌ-অশাংশিং ফাওবা চৈরাক পীখিবগী পাউ মখোয়গী ন্যুজ মীদিয়াশিংদা থেংনরি। জিনহুৱাদা ফোঙখিবা পাউ অমগী মতুংইন্না য়ুনান প্রোভিন্সতা লৈবা রুইলিদা অহুল্লক হন্না লাইচৎ অসি শন্দোরক্তুনা মীওই ১০০ রোম পোজিটিভ ওইহনখিবগীদমক পার্টি সেক্রেটরিসু ওইবা রুইলি সিটিগী চীফ থবক্তগী লৌথোকখি। অতৈ প্রোভিন্সশিং হায়বদি হুবৈ, হায়নান, হৈলোঙজিয়াংনচিংবশিংগী পার্টি সেক্রেটরিশিংসু থৌশাদবগী মরাল শীদুনা থবক্তগী লৌথোকখি। খ্বাইদগী নৌবা ওইনা Guangdong Province তা থোক্লিবা আউটব্রেক অসিগা মরী লৈননা প্রোভিন্স অসিগী কোনুং ওইরিবা গ্বাংঝৌদা লাইচৎ অসি শন্দোরকপদা চেকশিন্দবা করি করি য়াওখিবগে হায়বদু থিগৎনবা ওফিসলশিংগী টাস্ক ফোর্স অমা শেমদুনা চথবা হৌখ্রে। ময়াম্নসু হেন্না খঙনরবদুনি চাইনাদা চহী ১০ রোম অসিগী মনুংদা মীওই লাখ ১০ হেন্না করপসন্দা চেন্নরম্বদগী মরাল ফংদুনা চৈরাক পীবদা অচৌ অশাং কয়া য়াওরিবনি। অদুবু মণিপুরদদি ষ্টেবল ওইবা লৈঙাক অমা লৈতবগী মওংদা লৈরিবা অসিনা অসুম্না চথরুরবদি পার্টি মনুংদা অচৌবা প্রোব্লেম থোক্লকপা নৎত্রগা লৈঙাক ফাওবা কায়বা য়াবগী ফীভম লৈহল্লকপসু য়াই। মসি থোরক্তুফাওবদা মখোয়গী ভোটরশিংনা নৎত্রগা মীয়াম মরক্তগী মখোয়গীদমক ৱাকৎ মীফম ফম্লকপা, প্রোটেষ্ট কয়া তৌরক্তুনা লাইচৎ অসিগী মনুংদা খুদোংচাহন্দবা ফীভম কয়া ওইহল্লক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। মসিদনি চাইনাগী মতৌ তম্বদা পাক হেক মণিপুরনা য়ারোইদৌরিবসি।

অদুবু লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা অৱাৎ-অপা কা হেন্না য়াওনরকপশিংদা মতেং পাংনবগী মওং অমা লাম্থেংগী শরুক অমা ওইনা লাক্তুনা তেংবাং পীনরিবা অসি মণিপুরী খুন্নাইগী মমাঙঙৈদগী হৌনা লৈরক্লবা ফজরবা খুন্নাইগী চৎনবী অদুগী মশকনি। মসিনা খুন্নাই অসিবু পুৱারীগী তাঙ্ককশিংদা থেংনখিবা অচৌ অচৌবা খুন্তাক-লানশি কয়াদগী কন্দুনা লাকখি। অদুবু হৌজিক চোঙথোক্লরক্লিবা সোসল ৱার্করশিং অমদি য়াইতোং খমদোংবা, শেঞ্জাও পায়বশিং খরদি লাইচৎ অসিদা তেংবাঙ পোৎলমশিং য়েন্থোকপা মতমদা মশাগী ওইজবা নৎত্রগা তুংগী ওইবা পান্দম অমা থমদুনা চঙশিল্লকপগী মমি য়াম্না চাউনা তাই। হায়বদি মখোয়না মীয়ামদা তেংবাঙলিবা অদু করিগুম্বা খরা মতুংদা মহাক্কী খূৎলং লমন ফংলক্কনি হায়বরোমদা ৱাখল থন্বা ওইনা উই। মসিনা থম্মোয় শেংনা চোংথোক্তুনা থবক তৌজরিবা অমদি অঙন্বা খরদা ওইরবসু পুথোকচদুনা অৱাবা তারবা ইমুংশিংদা তেংবাঙ পীজরিবা মীওইশিংগীদি ৱাখল নুংঙাইহন্দনবগী মরম অমা ওইহল্লি।

মহাভারতকী ৱারীদা কর্ণবু 'দাট্টা কর্ণ' হায়না খঙনরকখিবগী মতাংদা অর্জুননা কৃষ্ণদা মরম হংখিবা মতমদা খুদম পীদুনা কৃষ্ণনা তাকপীখিবগী ৱারী অমা লৈ। নোংমা কৃষ্ণনা চীংদুম অনী সনা ওলহন্দুনা অর্জুন অমদি কর্ণদা মদু খুঞ্জাশিংদা দান ওইনা য়েন্থোক্লবা শিন্নৈ। অর্জুননা সনাগী চীংদুম অদু থুগাইদুনা মশামক্লা মীয়ামদা অমমমতা ওইনা খূৎশিন্নদুনা দান অদু মহাক্লা তৌবনি হায়বগী মওংদা খঙহন্নবা হোৎনখি। অদুবু কর্ণদি খুঞ্জাশিং অদুবু কৌরগা সনাগী চীংদুম অসি নখোয়গীনি, মথৌ তাবশিং লৌনরো হায়না হায়রল্লগা চৎখি। চহীসিগী মে ১৭তা জপানিজ অহল অমনা মহাক্কী অঙাং ওইরিঙৈদগী তুংশিনজরকপা শেনফম 60 Million Yen মমিং মথা অমত্তা পীরমদনা মহাক্লা লৈরিবা সিটি অদুগী ম্যুনিসিপালিটিদা দোনেসন ওইনা কৎথোক্লমখি। দান তৌবা হায়বসিদি মশাবু মশক খঙহনগদবা অদু ফাওবা কথোকপা অদুনি। অসিগুম্বা কথোকপা ঙক্নগী মতিক ময়াই চেনবা অদুবুনি মীয়াম্না শক শোন্নগদৌরিবসু। অদুম ওইনমক লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা কা হেন্না অৱাৎপা লৈহল্লবা ইমুংশিংদা, মশাগী ওইজনবগীবু ওইরবসু অঙন্বা খরদং মতেং পাংনীংবগী ৱাখল্লোন অমা লাক্তুনা মীওই খরনা তেংবাঙ পোৎলমশিং য়েন্থোক্লিবা অসিবুদি ঐখোয় খুদিংমক্লা থাগৎনীংঙাই ওই। ●

ষ্টেটকী পাউ

## গিভ ফাওন্দেসন, ইন্দিয়ানা দোনেট তৌরকপা ওক্সিজেন কন্সেন্ট্রেটর য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস): লৈবাক অসিদা কোভিদ লাম্থেংননবা লৌখৎলিবা লৈঙাক্কী থৌরাংশিংবু শৌগৎতুনা কোভিদ নারবা মীওইশিংনা শীজিন্ননবা, গিভ ফাওন্দেসন, ইন্দিয়ানা দোনেট তৌরকপা ওক্সিজেন কন্সেন্ট্রেটরশিং, এক্সন এইদ এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়া অমদি মসিগী পার্টনর এন জি ও ওইরিবা পীপল'স রিছোর্স দিভলপমেন্ট এসোসিএসন (পি আর দি এ)না মণিপুরগী তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা য়েন্থোকপগী থৌরম অমা পি আর দি এগী বিষ্ণুপুরদা লৈবা ওফিসতা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা নেসনল হেল্থ মিসনগী দিরেক্টর ডা. এন শ্যামজাই অমদি পি আর দি এ সেক্রেটরি এল সুরঞ্জয়না অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা ককচিং, উখ্রুল তমেংলোং, নোনে, ফেরজোল, চান্দেল, চুড়াচান্দপুর মণিপুরগী তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট তরেৎকী চীফ মেদিকেল ওফিসরশিংদা ওক্সিজেন কন্সেন্ট্রেটর ১০০ তেংবাং ওইনা য়েন্থোকখি।

পি আর দি এগী সেক্রেটরি এল সুরঞ্জয়না ফোঙদোকখিবদা, কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভ লাকপনা কোভিদ নারবা শেন্থোক ৱাৎপা ইমুংশিংগী অনাবশিংনা ওক্সিজেন মথৌ তারকপা মতমদা লৈঙাক্কী হোস্পিটালশিংদগী ওক্সিজেন ফংবা ৱাৎপগী অমদি লন্নাই হোস্পিটালদা লৈবসু ঙমদবগী অৱাবা মায়োক্লরিবা, অদুগুম্লবা মীওইশিংদা লেম্না শেল তিংহন্দনবা ওক্সিজেন পীনবা পান্দমদা ওক্সিজেন কন্সেন্ট্রেটরশিং অসি য়েন্থোকপনি। মরম অসিনা সী এম ওশিংনসু অসিগুম্বা মীওইশিংগী শেল লৌদনা কান্নবা পীবিয়ু হায়খি।

পনবা য়াবদি, গিভ ফাওন্দেসন, এক্সন এইদ এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়া অমদি পি আর দি এনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী সী এম ওদসু ওক্সিজেন কন্সেন্ট্রেটর ২৬ খূৎশিন্নখিবা লৈখ্রে অমদি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী তোঙানবা খুঙ্গংশিংগী শেন্থোক ৱাৎলবা ইমুংশিংগী অঙাংশিংদসু চানবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখিবা লৈখ্রে।

## ইমা-ইবেলশিংনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস): কৈরাও এ সীগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইরিবা য়ুম্নাম শান্তবু এন এস এ পানশিন্দুনা ফাজিনখিবা থৌওং য়ানীংদে, লৈঙাক্লা থাদোক্কদবনি হায়না ক্যাম্পৈ মনিং লৈকায়, ক্যাম্পৈ অৱাং লৈকায়, কৈরাও মক্তিং, লিলোং অরাপ্তি মপান অমসুং খোইরোম লৈকায়গী ইমা ইবেলশিংনা ঙরাং ৱাকৎ মীফম চথখ্রে।

ক্যাম্পৈ মনিং লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা চথখিবা ৱাকৎ মীফমদা শান্তগী মচানুপী য়ুম্নাম ঙাম্থোইনা হায়, কৈরাও এ সীগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইদুনা মীখল থেংননবা হোৎনরিবা মহাক্কী অপোকপা য়ুম্নাম শান্তবু থা অসিগী ৫দা পুলিসনা ফাবদগী তাং ১৪দা কোর্টতা পুথোক্লবা মতুং বেল পীরকখি। অদুবু কোর্টনা বেল পীরবা মতুংদা খুদক্তা ঙম্মী হায়দুনা এন এস এ পানশিন্দুনা জেলদা থমজিনখিবা থৌওং য়ানীংদে। করি মরালগীদমক এন এস এ পান্দুনা জেলদা থম্বনো হায়বদু মীয়ামদা খঙহনবীয়ু। মরাল লৈতনা মীফা-মীপূন চথবা থৌওং তোকপীয়ু। অথুবদা মহাক্কী অপোকপবু থাদোকপীয়ু হায়খি।

অমরোমদা শান্তগী লোয়নবী মোম্বী লৈমনা ক্যাম্পৈ মনিং লৈকায়, ময়ায় লৈকায় অমসুং অৱাং লৈকায়গী কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখ্রবা ইমুংশিংদা মপুরোইবগী মহুৎ শিন্দুনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং ঙসিসু য়েন্থোকখ্রে। মদুদা মোম্বীনা হায়, মপুরোয়বনা কৈরাও এ সীগী মফমশিংদা এ সী অসিগী য়াইফনবা থবক কয়া তৌরম্বনি। অদুবু হন্দক পুলিসনা ফাবদগী কোর্টনা বেল পীরবা মতুংদা ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা করিগুম্বা ৱাফম অমত্তা খঙহনবীরমদনা এন এস এ পানশিন্দুনা জেলদা থমজিনবা পেন্দে। মহাক্কী মপুরোয়বগী মরাল লৈতে, অথুবদা মপুরোয়বা থাদোকপীয়ু হায়খি।

কৈরাও কেন্দ্রগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইরিবা ৱাই শান্তবু মরাল লৈতনা ফাজিনবীরবা মতুং কোর্টনা বেল পীরবা ফাওবা ইমুংগী মীওইশিংদা করিগুম্বা ইনফোর্মেসন অমত্তা পীরমদনা এন এস এ পান্দুনা জেলদা থাজিনবা য়ানীংদে হায়দুনা ঙসিসু ক্যাম্পৈ মনিং লৈকায়, অৱাং লৈকায় অমসুং খোইরোম লৈকায়গী ইমা-ইবেলশিংনা ৱাকৎ মীফম ফমখি।

অমরোমদা ক্যাম্পৈ মনিং, ময়ায় অমসুং অৱাং লৈকায়গী কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখ্রবা ইমুংশিংদসু শান্তগী লোয়নবীনা মপুরোয়বগী মহুৎ শিন্দুনা চান-থক্লবা পোৎলমশিংসু য়েন্থোকখি।

## কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা ইমুংশিংদা চান-থক্লবা য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচএনএস): বি জে পি মণিপুরগী ষ্টেট কাওন্সিল মেম্বর অমদি কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভ ফাইটিং টাস্ক ফোর্স বি জে পি লম্লাই মন্দলগী চেয়রমেন কেঐচ ইবোমচাগী মীৎয়েং মখাদা শাবুংখোক খুন্নৌদা মীওই ২৫ পোজিটিভ ওইবগী কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা ইমুং ৭, শৈজাংদা মীওই অমা পোজিটিভ ওইবদগী কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা ইমুং ৪, য়ৌরবুংদা মীওই ৯ পোজিটিভ ওইবদগী কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা ইমুং ৩৩, ইতম নুঙ্গৈদা মীওই ২০ পোজিটিভ ওইবদগী কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা ইমুং ১৩, শঙ্খুং গেটেতা মীওই ১১ পোজিটিভ ওইবদগী কন্টেনমেন্টদা লৈরিবা ইমুং ৮দা তেংবাং পোৎলম পীখ্রে।

তেংবাং পোৎলম ওইনা চেং, হৱাই, থাও, আলু, থুম, মোরোক, ঙারি, শেলনচিংবা পাংখি। শাবুংখোক খুন্নৌ, য়ৌরবুং, শঙ্খুংগী টাস্ক ফোর্সশিংদা শেলগী মতেং পাংখি।

থৌরমদুদা লম্লাই এ সী কোভিদ এৱেরনেস অমসুং ইনফোর্সমেন্ট কম্মিটিগী চেয়রপর্সন এ জামিনি, শঙ্খুং জি পিগী প্রধান এন ধনেশ্বর, বি জে পি লম্লাইগী জেনরেল সেক্রেটরি এল শ্যামনচিংবা শরুক য়াখি।

থৌরমগা মরী লৈননা কেঐচ ইবোমচানা মীয়াম্না কোভিদতগী ঙাকথোক্লবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগা লোয়ননা টেষ্ট তৌথোক্তুনা পোজিটিভ ওই-ওইদে খঙদোকপগা লোয়ননা মতম চানা ভেক্সিন কাপথোকসি হায়খি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।